# ইমাদই হেনবা কনা লৈতে

## এস ভানুমতী

***হৌজিক*** লৈবাকসিদা লৈরিবা মীওই খুদিংগী মনুংদা অয়াম্বা শরুক্না অঙাংশিংগীদমক অফবা মায়কৈদা উশিনবিরগা করি করম্বা থোইনা চাওখৎকদবা পাম্বে পুথোক্নরিবগে হায়বসি নৈনবা ফগদরা খল্লি। কাঙলোন চুন্না মখোঙ শেংনা য়োকপীরিবরা শেমগৎপীরিবরা হায়বসি মমা মপা ওইবশিংনা অমদি অহল লমনশিংনা মিৎয়েং চঙশিনবা মতম ওইরক্লে। ঙসিগী ফীভমসিদা অসুম লৈরবদি মরাল করিমতা লৈজদ্রবা নৌনা ময়োল চোংজরক্লিবা পাম্বীগুম্বা অঙাংশিংগী মমল য়াম্লবা পুন্সিশিংবু কাঙখ থাঙ তাদুনা তোক্লগদ্রা খনবা মতাং য়াওরক্লে। যূম শাবা মতমদা যূম্ফম ফজনা থোলহৌদ্রবদি, মতিক চাবা যূম্বী - মখোঙ শীজিন্নহৌদ্রবদি পূক্লিং ঈংনা লৈতানা হিংবা পুন্সি ওইবা ঙমদবগুম্না পোক্লক্লিবা ইচা/ইশুশিংবু মখোঙ শেংনা শেম্বীহৌদ্রগদি মীওইনা পোকচরুবগী কান্নবা ফংদনা মাঙগদৌরিবনি। থায়নগী, চহী কয়া কয়াগী মীশিং য়ামদ্রিঙৈগী মতমদুগী ইচম চম্বা পুকচেল, লীচৎ-শাজৎ ঙসিগী মতৌসিগদি পুমতোপ তোপ্পা অমনি। ৱাখল পাকথোক চাউথোকফম থোক্লবনি। মিৎয়েং শান্না-শান্নসু য়েংবা ঙম্ফম থোক্লবনি অদুবু চপ চাবা ওইফম থোকপদি ওইদ্রি। পূন্নমকসি ওইরক্লবা হোৎনবদা পাম্বে কয়া চঙলকফম থোকই। মমাঙঙৈগী ওইবা মীথোই মীহেল্লবা ইপা-ইপুশিংদুনা থম্বীরম্বা হী-য়াই কয়া শিদহীদাক্কুম্বা পাম্বে কয়া কয়াদুদি ময়াই কারবা মীওই ঙাক ওইরকপনা নাথৈদুনা লাকপনা ঙসি পুন্সি লম্মখাঙসিদদি তত্তনা লম্মুক্লরেদো। পাউতাক পাওমেন কয়াদো, মনি মুক্তাগুম্বা লন পূন্নমকক্তো খোঙনা নেৎশিন, নেৎশিন্দুনা চৎলকপনা লৈরোন্নুংদা লৈহৌরে। হান্না লৈজরম্বা পূক্কৈবু অকায়-অতোয় থোক্তনা হৈজ-শিংজ চেকশিন্না শেমদোক-শেমজিন তৌদুনা হেন্না থোইনা চঙখোন্না মালেম মফম কয়াদই ফজবা নীংথিবতা খন্দুনা শেমগৎ-শাগৎ তৌরগদি কয়াদা ফজৈ শোন্ননি। কয়াদা কান্নরমগবা ঙসিগী চারোল শুরোল পূম্বদসু। নীংঙমদবনা পীক থল্লি থম্মোয়সি। অনেম্বদগী অৱাংবদা, ফত্তবদগী অফবদা, অমম্বদগী অঙানবদা, অরানবদগী অচুম্বদা চঙশিল্লকপা ওইরগদি কয়াদা পেঞ্জরমগবা! কয়াদা ঈংনা হিংলমগদবা ঐখোয়গী পীক্লবা ইরমদমসে! থম্বীরল্লিবা ইপা ইপুশিংগী সনা-লুপা-মনি-মুক্তাগুম্বা লনশিংদু হৌজিক্কী বিজ্ঞানগী লংলবা, মঙাল ফংলবা চাওখৎলবা চক অসিনা মৈদা লংশিন্দুনা মৈ ঈক্লগা হেন্না হেন্না মচু শেংলকপা সনাগুম্বা পূন্নমক্তো লৌশিং থাদদুনা য়ৈথোক চামথোক্তুনা কাঙলোন কায়দনা পুন্সিগী শাংলবা লম্বী লমশাং চৎপদা শিদহীদাক ওইরম্বা য়ারম্বা পূম্বদো ইশানা ইশাগী-মশক খঙজদবনা অরেম্বদা মাঙলিবসি ঐখোয় ইশানসু খঙজদবা কোঙ্গাই লৈরিদো। মালেম পূম্বগা নুংশি পূন্দুনা অমগা অমগা মরী লৈনদুনা চূমথাঙগী মচু তরেৎ তিন্নবগুম, নীংথিবগী মশক, অপূনবগী ফজবা পূম্বদু উৎপসু ময়াবনি। মীওইববু শেম্বীবা মপুদো অমত্তনি। সংসার পূম্বসু শেম্বীরিবা মহাক্নি। নীংশিংবা য়াই অমুকসু - উদবা মঙোন্দগী থোরক্লিবনি তোঙান তোঙানবা লাইনীং লাইশোনসু। নীংনরি মীওইবা কয়ানা, শোন্নরি লেপ্তুনা থৱায়না তাজবা খন্দুনা। অদুবু অৱাবদি, অপঙবা মীওইবা ওইরুবনা, ৱাখল মপূং ফাদবনা - ঐগী লাইনীংনা অচুম্বনি নঙগীনা অরানবনি খন্না লাউনরি লেপ্তুনা ইথৌ ইথৌদি থাদুনা। হীরম হেক খুদিংমক্তা মশুং নাইনৈ অমগা অমগা। পীকশিন্নরকই অসুম অসুম মখোয়গী থম্মোয়শিং। মিৎয়েং খূজিল্লকই থাজদ থাজদ। মসিনি ঐখোয় পূম্বগী লাইবক থীবা ওইরিবা। অশিংবা মীওই কাঙলুপ কয়াদি অৱাংবদা কানখ্রে মঙাল উনখ্রে। অদুবু ঐখোয়গী কাঙলুপতি লৈহৌরি ৱাইখুগুম, অমনা অমবু চিংথদুনা চানরি খুরবা কোম্মুংদা । মঙলান মঙলি ওইদবা ৱারী শীংবুল শাগৎতুনা মীওইববু নমথনবা, মানা মায় পাকপনি হায়নবা লৈতান মরকসিদা। কাউখ্রে, পুমকাউ কাউথোকখ্রে 'ঐখোয় তাইবঙ মপূ নত্তে' হায়বসে। 'ওইদ-পাদবা ঙাঙবা, থবক ওইনা তৌবা অরানবনি, তৌহৈদবনি' হায়বসু মশানা মশাবু খঙজদে। লৈবাক্কী অমাঙবদি অসুম হেল্লকই। অসিগুম্বা ৱাখল মান্নদ্রবা, পুকচেল তিন্নদ্রবা মীওইনা মশীং হেল্লবা লমদমদা করম চাউখৎপা ওইগনি? মশাগী ওইবা থৌদাংদুসু মীনম ছোরিবা য়াওশিল্লকই। চানবা থক্লবা কয়াদা পোৎয়ান কয়া য়ানশিন্দুনা চারু-থক্লুবা মীশিংদা করি থোক্কনি খঙশিন্নদা, শেল খরগীদমক্তা তাইবঙ মীগী মমল য়াম্লবা পুন্সি ফাওবা মাঙহন্নবা হোৎনবা মীশক মশীং নাইদনা থোরক্লি। থাবগী লোইবা নাইররোইদবা ৱারী শীংবুলনি। মশা মশাগী মথৌদা থম্মোয় শেংনা কৎথোক্তুনা হিংবা ঙমদ্রবা মীওইশিংসিগী মরক্তা মরাল লৈজদ্রবা অঙাং কয়ানা করম্বা অফবা মী ওইবগী মঙালনা লৈতেংলবা তাইবঙ মী ওইনা চোঙথোরক্কদবা অৱাবা ঙাক্তনি খল্লুবদা।

অসুম্না মায়কৈ ফাংলবা লম্বী কয়াসিদা পীক্লিবা ইচা ইশুশিংসিনা চৎকদৌরিবসি করম্বা লম্বীদনো? অসিগুম্বা অৱাবা মরক অসিদা অতোপ অতোপ্পা ৱাথোক কয়াসু লেপ্পা নাইদে। নোংমা কাংদে পাউচেদা কয়া, কম্প্যুটরদা কয়া... মমৌনুপীনা শোল্লবা হৌগৎতুনা চৎপা ঙমজদবা মকুবোক্তা লীচৈনা (মকুবোক্কী চৈশু) কন্দুনা ফুবিবা, মথবাক্তা, মবুক্তা মখোঙনা হঞ্জিন হঞ্জিন কাওবা, হন্না হন্না মঙক্তা, মথবাক্তা লীচৈদুনা থিন্দুনা চৈনা পীখি। নাদুনা অহলদুনা কপ্পি। মদু মিৎসিনা শং-শং উবা ফংলবা চাওখৎলবা মতমনি অদুবু চাওখৎলকপগা লোয়ননা মীনা শা ওনবসু হেল্লে। তাহৈদ্রবা, উহৈদ্রবা থৌদোক কয়া কয়া তোয়না থোরক্লি। মরুওইনা নুপী ওইবীশিংবু ইকায়খুম্নবা মাঙলবী ওইহনবীবসিনি... মতমসিগী উরুবা খুদিংদা অৱাবগী অৱাবা, ইকায়বগী ইকায়বঙাক্তনি, য়াম্না চেকশিনবা চঙঙি। নিপা ওইবা কয়া মরাল লৈরম্বগী হাৎপতনসু য়ারোই । নুপীগী মায়কৈদসু ইশা পঙকোম কোমথোকপা ফত্তে, খন্থবা য়াম্না চঙঙি। মতাংসিদা নীংশিংজনীংঙি মদুদি হৌজিক্কী কল্লবা ঈরাংনা থল্লবা মতমসিদা আই এস টি ভি উজরুবদা (আলবম হায়গদ্রা) অঙাং মচা ওইরিবা/ওইরিবীশিং ইশুগুম্বা/ইশুগুম্বী কয়াগী নুংশি নুংওনগী এক্টিং ময়াম উরুবদা থম্মোয়সি চেঙ খৈবগুম নীকই। মসিদা তৌবিরিবা মেকঅপ, দ্রেস, এক্টিং অঙকপা ওইখ্রে। য়াম্নসু হেঞ্জিন্না কেবীখ্রে। পীক্লিবা মশুনুপী, মশুনিপা, মচল অতোম্বী, মশু অতোনবা শাদুনা শরুক য়াগদবা অঙাং ওইরিবা/ওইরিবীশিংবু চহীগা চান্নদবা ফীজোল কয়া হোং হোংদুনা শেৎলগা শরুক য়াখি। মদু উবদা অহল ঐখোয়দা য়াম্না নুংঙাইজদবা অমা কন্না ফাওখি। চহী য়ামদ্রিবা অঙাংশিংবু অৱাংবা রোমান্স তৌদুনা চপ চানা যূম্বানমিন্নবা নিপা নুপীগুম মীয়ামদা পুথোকপদা হরাউনা ইচানুপীবু পুথোকপীরক্লিবদুসু ঙক্তবা ঙমদে। মরাল লৈজদ্রবা মখোয়দি ঐদি হেরো মাল্লবনি, ঐদি হেরোইন ওইরবনি কা হায়বা ৱাখলদা হরাউজরিবনি। অদুবু চহী মতাংদুগী চান্নবা রোলদা কুমহল্লবদি করিসু কায়দে মচা শাহনবা য়াই, মশু শাবা য়াই, মচলনচিংবা চহীগা চান্নবদা পুশিনবদি করিসু কায়দে। ইজরিবা ইশামকসু কলাবু পামজবা মীশক অমনি। অদুবু ইশু ইচাদি মতাং চাবা মফমদা পুথোকপা পামজৈ। মখোয়না তৌরিবা চহীগা চান্নদ্রবা এক্টিং কয়াদুনা নৌরিবা মথোৎ কাবগী থাক য়ৌদ্রিবা মখোয়দা মরাল লৈজদ্রবা/লৈজদ্রিবীশিংদুবু করিগী মতাং চাদনা পুথোকপীবগে। চহী ৩/৪ গী অঙাংশিংনা টি ভি মমাঙদা জগোয় শাই, মখোয়গী মতৌ তম্মী...। উবদদি কয়াদা নুংশি অঙাংগী ইচম চম্বা মতৌদুদা। অদুবু পীক্লিবশিংদুগী থম্মোয়দা ইমেজদুদি খক মখোয়দা তাহনজনীংদে। ফিজেৎ ফীগায় শেৎপা, হকচাংদা তপ নপ্পা ফীজোলশিংদা থোইনা পান্নরক্লিবসিদগীসু থিংবীনবা মীশক্তি ৱারসু ৱানা অঙাংশিংগী ইমা ইপাগী থৌদাংসি খঙনা শরুক য়াহঞ্জনীংই। নোং হেক ঙাল্লকপদগী ৱাখল ঈংনা খনবা ঙমহন্দ্রে। অহিং অথেংবা নোংয়াই মতুং ওইরবদা চহী ১৪/১৫ শুফাৎত্রিবা নিপামচা/নিপীমচাশিংনা টেলিফোন্দা শানবা ৱারী তাবদা হকচাংদা তুজুংবদুম ফাওই, পনবা ঙমজদ্রে। মসি নোংমা ফাদোক্কী নৎত্রে। মসি মফম খুদিংগী চৎনবী, হৈনবী ওইখ্রবনি। লৈবাকশিনখ্রব্রা খল্লক্লে। চক অমা ওইরক্লে। লম্বী লমশাংদসু অদু মঙায়- ককনীংবা মওংদা কক্লিবা শমকক লাক্কক, চহী য়ামদ্রিবা অকিবগী মশক ফংলবা নিপামচা কয়ানা মী চিল্লবা, গাড়ীনা থন্না লৈরিবা লম্বীশিংদা অহৌবা শাহুমগা লোয়ননা ওই-য়েৎ খঙদবমখৈ সুপরমেনগুম পাইবা হেক মানবমখৈ গাড়ীদু য়ং য়ং থৌনরি। কনামত্তনা করিসু তৌবা ঙমদ্রবা লৈবাক হায়বদু ওইখ্রে, মীতৈ লৈবাক। ঐখোয় পূম্বা অসুম্না অসুম কয়া কুইনা লৈখিনি? য়েংহৈদ্রবা, তাহৈদ্রবা কয়াগী লকসিদা করি অফবা থবকনো পাঙথোকপা ঙমদৌরিবা? চরাংনদুনতা লৈবনা শেমগৎ শাগৎপদা অৱাবা ওইরে চাওখৎ খোঙথাং থীল্লে ঐখোয়গী ইরমদম। লৈবাক ঙাক্লোনগী পথাপ 'রাজনিতি', 'ধর্ম্মনিতি', 'অর্থনিতি' নীংথিনা চহী কয়াগী মমাঙদগী লৈজরক্লবা ফজবা চৎন-কাঙলোনসি করম্না তংদু লৈতাদ্রবা লৈবাকসিদা শীজিন্নবা ঙমগদগে? ইকায়খুম্নজরবা লৈঙাক মপুতনসু মায়োক্লবদা অৱা হুয়জোং লাংদৌরিবনি খনবদা মীওইবা অমা ওইনা খোঞ্জেল থোক্লা তেংথাদুনা কপ্লিংঙি- মীতৈ লৈবাক মাগীদমক।

লোইশিল্লকপদা পঞ্জনীংঙি - ৱাবা য়াবমখৈ ৱারুরবসু পাম্বে থিবা অদুম ৱাগনি। 'লায়না' অসি হেনজিনখ্রে, য়াম্না হেনজিনখ্রে। অদুবু উপায় অমতংদি - অঙাংশিংগী মমা মপা ওইবিরিবশিং অমদি ওজা ওইবিরিবশিং, অকোয়বদা লৈবা ক্লব/ক্লবশিংগী ইচিন ইনাওশিং, মমাগী শক্লোন লৌবিরিবী নুপীগী লূপকী মেম্বরশিং অমদি ইচা ইশুশিংবু অফবা মীওই ওইহৌবা পাম্বীবশিংনা ঐখোয় ইশাগী ওইজবা পূম্বা থাদোকপীদুনা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম কয়া শীনবীদুনা উপায় থিবা নৎতনা অতৈ পাম্বে লৈরোই থাজজৈ। অমুক্তং নীংশিংমিন্নসি-

'ইমাগা মান্নবা তীর্থ অমা লৈতে
ইমাগা মান্নবা পাম্বে অমা লৈতে
ইমাগা মান্নবা ঙাকপী শেনবী হৈবা লৈতে
ইমাগী অমৃতগা মান্নবা অমা লৈতে।'

- (সংস্কৃত পাউরৌ)

# ম্যুজিক ওফ লাওস




## রন্দোল্ফ মোইরাংথেম

***এসিয়া*** কন্টিনেন্টকী লৈবাক অমা ওইরিবা তোঙান তোঙানবা মীওই ফুরুপশিংনা নুংশি চান্ননা খুন্দামিন্নরিবা লাওস হায়রিবা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী মীয়াম্না পান্নবা নাৎকী ম্যুজিক্তি **মোর লাম** হায়রিবা ম্যুজিক্কী ফোর্ম অসিনি। লাওস হায়রিবা লৈবাক অসিদা **টাই** হায়রিবা মীওই কাঙলুপশিং অসিনা ময়ূম হোংলকপা মতমদগী লাওসকী ম্যুজিক্কী ওইবা খোঙচৎ অসি মহৌশা লাইরেম্বীগা চৎমিন্নদুনা য়াম্না তপ্না-তপ্না অহোংবা ময়াম অমা লাক্তুনা ঙসিগী লাওসকী ম্যুজিক্কী ফোর্ম অসি ওইরক্লি। লাওস লৈবাক্কী ঈশৈ লাইরেম্বীগী খূৎশেম য়াম্না থুনা শেমদে মতম চংনা মহৌশা লাইরেম্বীগী হোংলক্লিবা খোঙচৎকী মতুংইন্না লাওস ম্যুজিক্কী অমদি অতোপ্পা ঈশৈসু শকপা ঙম্বা মীশক অনীসু য়াওগদবনি। (মোর লাম), হায়রিবা নুপা অমা অমসুং নুপী অমা মখোয়শিং অসিবু A khene player (mor khaen), হায়না খঙনগনি অমসুং অতোপ্পা ম্যুজিকেল ইনষ্ট্রুমেন্টশিংসু য়ৈবা, খোঙবা, লেনবা, খিংবনচিংবসু হৈগদবনি।



অহোংবা পূন্নমক মহৌশা লাইরেম্বীগী খোঙচৎকা চৎমিন্নে। হৌজিক-হৌজিক ওইরিবা লাওস লৈবাক্কী ঈশৈগী শকওং অসিদা চিনাদা লৈতবা

লাওস লৈবাক্কী ম্যুজিক অসি lam saravane হায়রিবা শৈশক অসিগা লোয়ননা লাওসকী ম্যুজিক মখল খুদিংমক লাওসকী লৈবাক শিনবা থুংনা মীপুম খুদিংমক্না য়াম্না খোইদানৈ, অদুম ওইনমক লাওস কী সিটি অমা ওইরিবা Luang Praband হায়রিবা অসি য়াম্না অতপ্পা শক্তম khaplam wai হায়না খঙনৈ। য়াম্না মতিক মগুন লৈনা পান্নরবা mor I am sing হায়রিবা য়াম্না চাওখৎলবা থাইলেন্দগী ঈশৈ মখল অসি য়াম্না electrified গুম্বা ঈশৈ মখল অমনি।

**দ লাওস** অমসুং **টাই**গী মীশিংগীসু লাওস হায়রিবা লমদম অসিগী ঈশৈশিং অসিদি পীক্লিবা অঙাংশিংবু হায়নীংঙাই লৈতনা মখোয় মখোয়গী ওইবা নাৎকী চৎনবী ঈশৈশিং তিনশিন্নদুনা অনৌবা মীয়াম্না তান্নদ্রিবা ঈশৈ মখল অমা শেল্লকই। হায়রিবা ঈশৈ মখল অসি হৌজিক্কী মতমদা ফ্যুজন ম্যুজিক হায়নরিবা মখলগী ঈশৈশিং অদুনি। ফ্যুজন ম্যুজিক্কী পুৱারীদি করম্বা মতমদগী শাফোংলকখিবনো হায়বসি কনানসু খঙবা ঙম্বগী মতম লৈতে। লাওস লৈবাক্কী চৎন লোনচৎ অসিনা মালেমগী লৈবাকশিংনা মতৌ খরদং তম্নরক্লবদি মালেম অসি ঈংথবা তপথবনচিংবা খরদং ওইরবসু হোংলক্কনি হায়বসি মালেমগী মীয়াম্না য়ানফম থোকপা ওইফম থোকই। মতাং অসিদা মীতৈশিংগী হায়নবা ৱাহৈশিংদগী খরদং নাথৈজরগা অফবা ওইরক্কদবা অঙাংশিংদি নিংথাদা খঙই। ম্যুজিক্কী খূৎলায়শিংনা খোংলকপা, য়ৈরকপা, খিংলকপা অমদি শৈশকপা/শৈশকপীশিংনা মখল মথেলগী ম্যুজিকশিংনা ফোঙদোকপা নুংশিরবা তোঙান তোঙানবা ইথিলশিংনা মীওইবগী থম্মোয়শিংনা তাজরগা ফাওরকপা ঈংথবা পেৎথবনচিংবশিংনা হৌজিক হৌজিক্কী লাওসগী ম্যুজিক্কী ঈচেল ওইনা চেন্থরি।

**লাওসকী ফোক ম্যুজিক্কী ওইবা চৎনবী ঃ**

ৱাখলদগী থোক্লকপা ওইদবা, ম্যুজিসিয়নশিংগী থম্মোয়দগী ফাওরকপা, করি করম্বা ৱাহৈশিংনা খুদক্তা ফোঙদোক্লগা ঈশৈবু পামজবা মীওইশিংগী থম্মোয় হুহনবা ঙম্বা ঈশৈগী শৈশকপু the khene হায়রিবা ম্যুজিক ইনষ্ট্রুমেন্ট অসিনা accompaniment তৌরগা শকপা ঈশৈ মখল অসিবু লাওসগী ফোক ম্যুজিক, **লাম** হায়না খঙনৈ।

A khene player in Isan

A khene player in Isan হায়রিবা অসিদা বাইওলিন, তৌদ্রিশিং অমসুং কাংসিশিং খোংবা অমদি খিংবা ঙম্বা নুপা অমগা নুপী অমগা শাফোংলকপা মীশক অনীনা খোঙবা অমদি খিংবা ঙমগদবনি। মীওই অনী অসি তোঙান তোঙানবা ম্যুজিক্কী ৱাখল পুথোকপা ম্যুজিসিয়ন হৈবশিংগী থৌদাং ওইফম থোকই। ম্যুজিক্কী মখল খুদিংমক খঙবা ঙম্বা অমদি অতোপ্পা ঈশৈসু শকপা ঙম্বা মীশক অনীসু য়াওগদবনি।

Popular music :

1960's গী মতমদা Thi lam অমসুং lam ploen গী চাওখৎপগী ঈশৈগী শক্তম অমসুং জগোয় অসি শৈরেংবশিংগী খুদোলশিংনা চাওখৎলম্বীদা খোঙদাহল্লকখি। লাওস লৈবাক্কী খ্বাইদগী মশক থোকপা ঈশৈশিংগী খূৎলায় অসি khene কৌবা ৱানা শাবা চিননা খোংবা তৌদ্রিনি। হায়রিবা ম্যুজিক্কী খূৎলায় অসি ওইথোকপা য়াবদা নুপী অমনা garawek কৌবা উচেক্তগী য়াম্না হোৎনরগা মতৌ তম্লগা শাখিবনি। হায়রিবা নুপী অসিনা চিন্না খোংবা অনৌবা তৌদ্রি অসি মতম অদুগী 'নিংথৌদা' খুদোল তমজখি। মতম অদুগী নিংথৌনা নুপী অদুনা পুথোক্লিবা তৌদ্রি অদু ঙমখৈ লৈতনা ফজৈ হায়না য়াম্না মপূক্লিং থৌগৎপীরম্মী। মরম অসিদগী নিংথৌনা পাম্বগী চাং য়াম্না ৱাংখৎলক্লম্মী। অসুম্না নুপী অদুনা তৌদ্রি অদু হেন্না মগুণ লৈরক্লবা শেমদোরকপগা লোয়ননা নিংথৌদা খুরুমজরগা "Tia nee khaen dee" হায়না পুনেমজরম্মী। (মতম অদু লাওস ম্যুজিক্কী চাওখৎলকপগী মতম ওইরক্লম্মী)।

মতেং লৌজখিবশিং ঃ-

১) ম্যুজিক ওফ লাওস।
২) অইবনা থিজিঞ্জবশিং।

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## নোংমদি নিঙমদবা লাক্কদৌরিবনি

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

***য়েংবদদি*** বাবুদা বাবু মানবা, শেম্বোক্তি লৈতনা অরৈবা শাবা, উক্রোংদা রঙ তৈবগুম থোক্কদৌরিবনি। ইমা ইপানা থম্বীরম্বা লন-থুম্বু কায়-কায়দুনা শীজিন্নগনি হায়রবদি খঙদ্রে। মসি ফাওবা মহাকথক্কীদি খুয়া তুশিৎনা নুংঙাইনা হিংলবসু মহাক্কী চাদা-নাওদানা অপেনবা হায়বদুমদি ওইররোইদবনি। মহাকথক্তা ৱারবসু মচা হাক্তক্তা নুংঙাইবা মসিসু য়াওদবা নত্তে। য়েংউ-য়েংউবা খুদিংদা অৱাৎপগী অৱাৎপা ঙাক্তা ঙায়রক্লবনিনা ফনা নিংথিজনা লৈরম্বা ৱাখল অদু ফাওবা মথোং মরম খঙলোইদৌরিবনি। মপান লমদগী লাকপা মীয়ান মচাশিংনা লমদমসিদা লাক্লগা শুরিবা, নোল্লিবা পোথাববু অমত্তা উরল্লোই। অযূক্তগীনা নুমিৎ তাবা ফাওবসিদা মখোয়না ইকায় ইকি খঙদবমখৈ পৈশা তাল্লিবা অসিসু থেংনদে হায়বা ঐখোয়গী ইরক্তা কনাসু য়াওরোই।

থৌদোক ৱাথোক্তা লমজেল তান্নরিঙৈদা নোংমা নোংমগী হিংনবগী লম্বীদা অৱাৎপগী অৱাৎপা ঙাক্তনা মশীং য়াম্লকপা নোংমা নোংমগী অসুম অসুম হেনগৎলক্কদৌরিবনি। পোকপদগীনা শিবা ফাওবসিদা ধুম ধামদা হিংদবা য়াদে হায়বগী লাইচুরবা চৎনবী ময়ামসিনা পুংকোয় কোয়না লৈখিবসিদা নাম্বোকপদা অরুবা হায়বদু ওইদৌরিবনি। কৈদৌঙৈ ফাওবনো মতম কয়া শাংনা লৈদৌরিবা কনা অমত্তা খঙদনা লৈনবা, খঙলবসু খঙদবগা পাঙ্খক ওইরবনি। ক্বা জর্দা চাবগী হৈনবী থাদোকপা ঙমদনা লৈদৌরিবনি। নুপাদা খঙদে, নুপীদা খঙদে কাঙলুপ অনীসি লমজেল কন্না তান্নরি, কনানা হেন্দৌরিবা? মপান্দগী লাকপা মীয়ান মচাশিংনা লমদমসিদা পৈশা তানবদা নুংঙাই খন্দুনা মখল মথেলগী শেন্দাল লম্বীদা অকি অখঙ লৈতনা চৎথরকপা হৌজা থেঞ্জাং কয়া লৈখ্রবনি। ফম্বা চল্লগা হিপ্পা চল্লি হায়বা অদুমক মীয়ান মচাশিংগীতা ওইহনগুমসি। ক্বা চাবনা করি কান্নবা? মৈখু থকপনা করি তোংজবা? খৈনি চাবনা করম্বা ৱাখল লাকপা? পূন্নমক কুইরক্লবা মতমদা করি নুংগীনো খনবা নৎতনা অতোপ্পা উপাই অমা থিবদা অদুমক ৱাদুনা তোক্কদৌরিবনি। ঙল্লিঙৈগী মতমদা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা শিংবগা, লোইনরক্লবা মতমদা চেকশিনবগা অনীসি মান্নে খক হায়বা য়াবা নত্তে।

মতাং মতম্না চারিঙৈদা চেকশিনবা, শিংবসিনা হিংলিবা পুন্সিগীদমক্তদি অফবা হায়বদু ওইদনীংঙাই লৈরোই। ইথন-ইথন্তা ফমদুনা ঐখোয়গী হৌজিক্কী মীরোলসিনা তৌরিবা থৌদোক-ৱাথোক, অমগা অমগা নুংশিনদবগী কৌনা ঙাঙনদবা, মচিন মনাও পোকমিন্নবা ফাওবা শম্বল খাজিন্দুনা লৈনবা পূন্নমক মথেল অমা ওইনা নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লিবনি।

মসিগী মতাংসিদা মখোয়বু পোকচবা-পোকচবী অনীনা ঙাঙ শক্লবসু মনাদা ফাওবা হাপ্তুবমখৈ মাগী মাগী অনীংবা অপাম্বদা চৎথনরকপা, মসিবু মমাঙ মমাঙদা হিংদুনা লৈরম্বা ইপু ইবেনশিংদুসু তৌরম্বজাৎলা? তৌরমগনি হায়বগী থাজবা ৱাৎলি। ফত্তবগী চাংসি চহী খুদিংগী হেনগৎলক্লি হায়বদা চুমগদবা মাল্লবনি। মীনা মীবু করিসু লৈতনা খল্লকপা, থকসি-খাসি লৈনরক্তবা পূন্নমকসিনা মমৈদা অফবা ওইবদি ওইররোই।

পূন্নমকসি কদায়দগী করম তৌনা ওইরকখিববা, খল্লুবদা লাম্বা ফংদনা লম্মুক্লদৌরবনি। শুফম চাফম লৈরক্ত্রবা অদুগুম্বা মতমদুদা হিংদবদি য়াদবনিনা তঙাইমক ফদনা হুরানবা নত্তনা অতোপ্পা উপাই অমা লৈরোইদৌরিবনি। ফাদ্রিবমখৈ হুরানবগী থবক থাদোক্তবা মীওই কয়া ঐখোয়গী ইরক্তা য়াওরিবনি।

হেক ফাবা নুমিৎতা হুরানবা হায়বা মীংথোল অদুমক ফংগদৌরিবনি। ইকায় ইকি থাদোক্তুনা শু-নোমদুনা লৈরিবা করিসু অৱাবা ওইররোইদবা মীওইদুনা হুরানবা ওইনা ফাবা নুমিৎতা মহাক হিংগদৌরিব্রা? নৎত্রগা শিগদৌরিব্রা? তম্বা ঙম্বা নত্তে। মসিগুম্বা চৎন-কাঙলোনসিগী মহুত্তা মীয়ান মচাশিংনা তৌরিবা থবকসি পৈশা ফংই খঙলবা মতুংদা ইকায় ইকি থাদোক্তুনা হিংদবা য়াদে খন্দুনা হোৎনবদা নোংমা নীনিখক ঙাই ইকায়রমগদবা, মতুং তারকপদদি হৈনদৌরিবনি।

অরোইবদা থমজনীংলিবা ৱাফমদি, হিংনবগী লানফমদা শেল চঙই, শেল ফংনবা হোৎনবদা থবক শুবা তাই, থবক শুবদা ইকায় ইকি থাদোকপা তাই, ইকায় ইকি খাঙলিঙৈ মীরমদগী হাইজিল্লকপশিংনা থবক পূন্নমক পায়শিনখ্রবদি ঐখোয় কদাইদা থবক শুদুনা শেল তানগনি। ইকায় ইকি খাঙলিঙৈ নোংমদি নিঙমদবা লাক্কদৌরিবনি।

***অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা***

***খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ***